## থা অহুমলোমগী মতুংদা লোকদাউন কোমথোকখ্রে

সিদনি, সেপ্তেম্বর ১৪ (এজেন্সী):
ওষ্ট্রেলিয়াগী মরু ওইবা খ্বাইদগী চাওবা সিটি অমা ওইরিবা সিদনিদা কোভিদ-১৯ গী অনৌবা ভেরিয়েন্ট দেল্টানা অকনবা চৈথেং পীরকখ্রবা মতুং মদুবু কন্ত্রোল তৌনবগীদমক লৈঙাক্না সিটি অদুদা থা অহুমলোম হেন্না লোকদাউন থমজিল্লুরবা মতুং লায়না লাইচৎ অসি শন্দোকপগী চাং হন্থরকপদগী মীয়ামগী য়েংলগা লোকদাউন কোমথোক্লে হায়রি।

সিদনি ওথোরিটিশিংনা হীরম অসিগা মরী লৈননা ফোঙদোরকখিবদা লৈঙাক্না লোকদাউন থমজিনখিবা অদুগী মায়োক্তা মীওই কয়ানা য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা খোঙজং চঙশিনবা ফাওবা লৈখ্রে। মীয়ামগী য়েংলগা লোকদাউন অসি কোমথোল্লবসু নুমিদাংগী পুং ৯ দগী অয়ুক পুং ৫ ফাওবদি হান্নগুম কর্ফিয়ু লৈখিগনি।

লোকদাউন কোমথোল্লবসু সিটি অসিদা লৈরিবা মীয়াম্না কোভিদ-১৯ গা মরী লৈননা শেমখিবা চৎনা কাঙলোনশিং ঙাক্না চৎকদবনি। লায়না লাইচৎ অসি লৈবাক অসিদা মপুং ফানা কন্ত্রোল তৌবা ঙমদ্রিবনা মরম ওইরগা মীয়াম্নসু য়াম্না চেকশিনবা মথৌ তাই। সিদনি অমদি ন্যু সাউথ ৱেলস য়াওনা হৌখিবা থা অনীরোমদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ পাক শন্না শন্দোকখিবা অদু মীয়াম্না চেকশিনবা ৱাৎপদগীনি।

লাইচৎ অসি শন্দোরক্তনবা লৈঙাক্না হোৎনরিবা অসিদা মীয়ামগী তেঙবাং য়াওদ্রবদি কৈদৌনুংদা মায় পাকপা ঙল্লোই। লোকদাউন লৌথোল্লবসু দুকানশিং হাংবদদি অথিংবা খরা লৈখিগনি।

## কাবুলগী মতাংদা পাকিস্থাননা লৌরিবা থৌদাং ইন্দিয়াদা খুদোংথিনিংঙাই ওই : য়ু এস



ৱাশিংটন, সেপ্তেম্বর ১৫ (এজেন্সী) :
মমাং থাগী ময়াই চল্লকপদা টালিবাননা অফঘানিস্থানগী কোনুং কাবুল খুদুম চনখ্রবা মতুং পাকিস্থাননা টালিবানগী মায় পাকপদা হরাওবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা টালিবানগী অনৌবা লৈঙাক অমা শেম্বদা পাকিস্থাননা লৌরিবা থৌদাং অসিনা মরম ওইরগা ইন্দিয়াদা অচৌবা চৈথেং অমা লাকহনবা য়াই হায়না য়ু এস সেনিটর মার্কো রুবিয়োনা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা টালিবানবু হান্নগুম্না মপাঙ্গল কলহন্নবা হোৎনবদা পাকিস্থাননা মতেং পাংখি হায়বা ৱাফম য়ু এসনা ফোঙদোল্লুবগীদমকসু পাকিস্থাননা ৱাশিংটনবু হৌজিকসু পেন্দবা ফোঙদোক্লি। ইস্লামাবাদনা মশাগী খুদোংচাবা য়েংলগা টালিবানগী থবক থৌরমদা মতেং পাংশিল্লিবা অসি তুং কোয়না চৎপা য়ারোই। টালিবাননা মমিং লৈরবা লালহৌলূপ কয়াগা থবক তৌমিন্নে হায়বসি মালেমগী লৈবাক খুদিংমক্না খঙনরবা ৱাফম অমনি।

অফঘানিস্থানদা অতোপ্পা লালহৌবশিং চঙজফম পীররোই হায়না টালিবাননা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদু মপুং ফানা থাজনিংঙাই ওইদ্রি। অল কৈদাগী লুচিংবশিং য়াওনা আই এস আই এস লুচিংবশিং অফঘানিস্থানদা লৈদুনা ওপরেট তৌবগী পাউ কয়া য়ু এস এজেন্সিনা ফংলি। মরু ওইনা টালিবাননা মপাঙ্গল কা হেন্না কনখৎলকপদা পাকিস্থাননা হরাওবা ফোঙদোল্লবসু ইন্দিয়াগী ওইনদি য়াম্না চাওবা শীংনবা অমনি।

পাকিস্থানদা বেজ তৌবা লালহৌবশিং য়াওনা অফঘানদগী ওপরেট তৌরকপা লালহৌবা কয়ানা ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা বোম ব্লাষ্টনচিংবা পামদবা থৌদোক কয়া মতম শাংনা চথদুনা লাক্লি। মসিনা মরম ওইরগা ইন্দিয়া অমদি পাকিস্থান অনীগী মরক্তসু উংখৎনবগী থৌদোক হেক হেক থোকহল্লি। ৱাশিংটন অমসুং ন্যু দেল্লী অনীনা হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিগী মতাংদা য়াম্না তোয়না ৱারী শান্নদুনা খন্নরি হায়রবসু অফঘানিস্থানদা টালিবাননা চথরক্লিবা কা হেনবা থবক থৌওংশিং অসি থিংনবা পাম্বেদি লৈতে। ৱর্ল্ড পৱারশিংনা অফঘানিস্থানদা অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা থবক তৌবগী তঙাইফদবা লৈ হায়রি।

## দোলফিন ১,৪০০ হাৎখিবগী থৌওং অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লররক্লি

কোপেনহেগন, সেপ্তেম্বর ১৫ (এজেন্সী) :
দেনমার্ককী ফেরো আইলেন্দদা ঙসি মশাদা অঙৌবা মচুগী শরুক য়াওবা দোলফিন ১,৪০০ হাৎখিবগী থৌওং অদুবু দেনমার্ক গভর্ণমেন্ট য়াওনা মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংনা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লররক্লি।



হীরম অসিগা মরী লৈননা দেনমার্কগভর্ণমেন্টনা ফোঙদোকখিবদা ফেরো আইলেন্দদা চৎনবী ওইনা ৱেল (ঙা মখল অমা) শিং হাৎপগী থবক চথদুনা লাক্লি। চহী অমদা ৱেল ৩০ দগী ১০০ ফাওবা হাৎপগী চৎনবী লৈরি। করিগুম্বা মতমদা দোলফিনশিং হাৎপসু য়াওই । অদুমওইনমক অমুক্তদা দোলফিন ১,৪০০ হাৎখিবা অসি য়াম্না লাইবকথিবনি। করি মরমগীদমক আইলেন্দ অদুদা লৈরিবা মীওইশিংনা মশীং য়াল্লবা দোলফিনশিং অদু হাৎখিবনো হায়বগী মতাংদদি হৌজিক ফাওবগী ওইনা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। লৈঙাক্কী মায়কৈদগী হীরম অসিগী মতাংদা থিজিনবগী থবক চথবা হৌখ্রে।

লোকেল টিভি জর্নেলিষ্ট অমনা ফোঙদোকখিবদা পাইলোট ৱেলশিং হাত্তুনা ফাবগী থবক মমাং মতমদগী তৌদুনা লাক্লবসু দোলফিন হাৎপগী থবক্তি তাঙনা থোকই। ঙামীশিং নৎত্রগা শাদানবশিংনা সেমি সার্কলগী মওংদা লৈরগা ৱেলশিং হাৎলি। করিগুম্বা মতমদা ইনখৎলক্লিবা নহাশিংদা মতৌ করম্না ৱেলশিং হাৎকদগে হায়বগী মতাংদসু আইলেন্দ অসিদা তাকপী তম্বীগী থবক চথুরি।

অদুমওইনমক অমুক্তদা দোলফিন ১,৪০০ হাৎপগী থৌদোক অসি হৌদক থোক্লিবা অসিনা অহানবনি। অটলান্টিক ওসিনদা মরু ওইনা ফংলিবা মশদা অঙৌবা মচু লাংবা দোলফিন মখল অসি মীগা য়াম্না নক্লনা লৈমিন্নবা য়াবা ঙা মখল অমনি।

আইলেন্দ অদুদা লৈরিবা মীওইশিংগী চাদা ৫৩ না ঙসিগী থৌদোক অদুবু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা ঙা ফাবা নৎত্রগনা শাদানবগী ত্রেনিং নৎত্রগা প্রেক্টিস চথনবা প্লান তৌখিবা লৈতে। মসি খ্বাইদগী হেন্না থোকহন্নিংদবা থৌদোকশিংগী মনুংদা অমনি হায়রি। আইলেন্দ অসিদা লৈরিবা মীওইশিংনা ফোঙদোরকখিবগী মতুং ইন্না ফেরো আইলেন্দগী অকোয়বদা পাইলোট ৱেল লাক্ষ ১ রোম লৈরি।

## সাউথনা সব মেরিন বেলেষ্টিক মিসাইল মায় পাক্লা চাংয়েং পাঙথোকখ্রে

সিওল, সেপ্তেম্বর ১৫ (এজেন্সী) :
সাউথ কোরিয়ানা লৈবাক অদুগী ইহান হানবা ওইনা সব মেরিন বেলিষ্টিক মিসাইলশিং কাপ্তুনা মায় পাক্লা চাংয়েং পাঙথোকখ্রে হায়না প্রসিদেন্সিএল ওফিসনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মালেমগী ওইনা অসিগুম্বা টেক্নোলোজি লৈবা লৈবাকশিংগী মনুংদা সাউথ কোরিয়ানা ৭ শুবা লৈবাক ওইরে হায়রি।

চাংয়েং অদু ঙসি লৈবাক অদুগী প্রসিদেন্ট মু জি ইনগী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোকখিবনি। নোর্থ কোরিয়ানা ন্যুক্লিয়র পুবা ঙম্বা শান্না পাইবা ঙম্বা বেলিষ্টিক মিসাইল অনী সমুদ্রগী ঈমায়দা কাপ্তুনা মায় পাক্লা চাংয়েং পাঙথোকখ্রবা মতুং সাউথ কোরিয়ানা সব মেরিন বেলেষ্টিক মিসাইল চাংয়েং পাঙথোকখিবনি।

সব বেরিন বেলেষ্টিক মিসাইল মায় পাক্লা চাংয়েং পাঙথোকপা ঙমখিবা অসি সাউথ কোরিয়াগী ওইনদি য়াম্না মরু ওইবা খোঙথাং অমনি। হীরম অসিগা মরী লৈননা সাউথকী মশক মমিং তাকথোক্তবা লুচিংবা অমনা ফোঙদোকখিবদা লৈবাক অদুগী সিক্যুরিটিগী য়েংলগা মিসাইল চাংয়েং অদু পাঙথোকখিবনি। মালেমগী লৈবাকশিংদা শীংনদুনা চাংয়েং অসি পাঙথোকখিবা নত্তে হায়রি। অমরোমদা নোর্থ অমসুং সাউথ কোরিয়ানা ন্যুক্লিয়র ৱার হেদশিং পুবা ঙম্বা বেলেষ্টিক মিসাইলশিং কাপ্তুনা চাংয়েং পাঙথোরকপা অসিনা মরম ওইরগা নাকল অনীগী মরক্তা উংখৎনবগী চাং হেনগৎলকপা য়ানা লৈরি।

## অফঘানিস্থানদা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ননা য়ুরো মিল্লিয়ন ১০০ হেন্না মতেং পাংলগনি : ঈ য়ু চীফ

ষ্ট্রাসবোর্গ, সেপ্তেম্বর ১৫ (এজেন্সী) :
লালনা মরম ওইরগা তংদু লৈতাদবা ফীভম অমদা লৈহল্লিবা অফঘানিস্থানদা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ননা য়ুরো মিল্লিয়ন ১০০ হেন্না মতেং পাংলবা য়াই হায়না ঈ য়ু চীফ উরসুলা ভোন দের লেয়ননা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা অফঘান মীয়ামগীদমক লৈবাক ২৭ না লেঙদনা লেপ্লি হায়রি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা লালনা মরম ওইরগা অৱাবা তারবা মীওইশিংবু মতেং পাংবা হায়বসি য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগীদি তঙাইফদ্রবা থৌদাং অমনি। মতম কয়াগী মমাংদগী ঈ য়ুনা অৱাবা তারবা লৈবাক লৈবাকশিংগী মীওইশিংদা মতেং পাংবগী থবক চথদুনা লাক্লি। অফঘানিস্থানদা টালিবান অমদি গভর্ণমেন্ট ফোর্স অনীগী মরক্তা থা কয়া লেপ্পা লৈতনা নোংমৈ কাপ্পখিবা অদুনা মরম ওইরগা মরাল লৈজদ্রবা মীওই কয়া শিহনখ্রে। কয়া অমনা ময়ুম থাদোক্তুনা লাঞ্জেন্নহনখ্রে। হৌজিক লৈহৌরিবা খরা অদুসু চানা থক্লবা অমদি শেলগী খুদোংচাবা লৈতবনা মরম ওইরগা অৱাবা কয়া মায়োক্লরি। মখোয়শিং অদুগীদমক ঈ য়ুনা মতেং পাংনবা ফিরেপ লৌখিবনি। মখা তানা মথৌ তারবসু তেঙবাং পীনবা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ননা মতম পুম্বদা শেম শাদুনা লৈ হায়রি। পনবা য়াবদি য়ুনাইটেদ নেসন্সনসু অফঘানিস্থানগী মীয়ামদা দোল্লর বিল্লিয়ন ১.২ তেঙবাং পীরগনি হায়না লাউথোকপসু লৈখ্রবনি।

## মালেমদা কোভিদনা শোকহল্লবা লৈবাকশিং

| # | Country, Other | Total Cases | New Cases | Total Deaths | New Deaths | Total Recovered | Active Cases |
|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | World | 226,632,919 | +515,860 | 4,661,686 | +8,931 | 203,335,822 | 18,635,411 |
| 1 | USA | 42,288,205 | +142,059 | 682,341 | +1,934 | 32,176,784 | 9,429,080 |
| 2 | India | 33,315,512 | +27,491 | 443,528 | +281 | 32,514,629 | 357,355 |
| 3 | Brazil | 21,019,830 | +13,406 | 587,847 | +709 | 20,108,417 | 323,566 |
| 4 | UK | 7,282,810 | +26,628 | 134,446 | +185 | 5,847,593 | 1,300,771 |
| 5 | Russia | 7,176,085 | +17,837 | 194,249 | +781 | 6,418,033 | 563,803 |
| 6 | France | 6,917,460 | +10,327 | 115,697 | +94 | 6,557,733 | 244,030 |
| 7 | Turkey | 6,710,666 | +27,802 | 60,393 | +276 | 6,201,905 | 448,368 |
| 8 | Iran | 5,340,656 | +22,329 | 115,167 | +408 | 4,627,027 | 598,462 |
| 9 | Argentina | 5,229,848 | +3,017 | 113,816 | +176 | 5,080,986 | 35,046 |
| 10 | Colombia | 4,932,998 | +1,435 | 125,713 | +26 | 4,771,125 | 36,160 |
| 11 | Spain | 4,918,526 | +3,261 | 85,548 | +155 | 4,608,147 | 224,831 |
| 12 | Italy | 4,613,214 | +4,021 | 130,027 | +48 | 4,360,847 | 122,340 |
| 13 | Indonesia | 4,174,216 | +4,128 | 139,415 | +250 | 3,942,473 | 92,328 |
| 14 | Germany | 4,104,216 | +8,845 | 93,319 | +69 | 3,841,800 | 169,097 |
| 15 | Mexico | 3,516,043 | +4,161 | 267,969 | +221 | 2,865,218 | 382,856 |
| 16 | Poland | 2,894,456 | +538 | 75,433 | +8 | 2,658,613 | 160,410 |
| 17 | South Africa | 2,864,534 | +3,699 | 85,302 | +300 | 2,688,692 | 90,540 |
| 18 | Ukraine | 2,321,156 | +3,332 | 54,457 | +97 | 2,223,272 | 43,427 |
| 19 | Philippines | 2,266,022 | +18,012 | 35,528 | +221 | 2,052,700 | 177,794 |
| 20 | Peru | 2,162,294 | +936 | 198,840 | +41 | N/A | N/A |
| 21 | Malaysia | 2,011,440 | +15,669 | 21,587 | +463 | 1,764,576 | 225,277 |
| 22 | Netherlands | 1,974,662 | +2,009 | 18,083 | +10 | 1,883,827 | 72,752 |
| 23 | Iraq | 1,959,369 | +4,400 | 21,596 | +46 | 1,834,670 | 103,103 |
| 24 | Czechia | 1,683,804 | +495 | 30,417 | | 1,649,721 | 3,666 |
| 25 | Chile | 1,644,832 | +292 | 37,253 | | 1,601,955 | 5,624 |
| 26 | Japan | 1,644,041 | +3,769 | 16,846 | +49 | 1,512,257 | 114,938 |
| 27 | Canada | 1,555,121 | +4,049 | 27,262 | +24 | 1,485,527 | 42,332 |
| 28 | Bangladesh | 1,534,440 | +2,074 | 27,007 | +35 | 1,486,668 | 20,765 |
| 29 | Thailand | 1,406,542 | +11,786 | 14,621 | +136 | 1,262,896 | 129,025 |
| 30 | Belgium | 1,210,381 | +1,815 | 25,473 | +8 | 1,124,440 | 60,468 |
| 31 | Pakistan | 1,210,082 | +2,574 | 26,865 | +78 | 1,097,416 | 85,801 |
| 32 | Israel | 1,196,993 | +12,940 | 7,438 | +32 | 1,102,263 | 87,292 |
| 33 | Sweden | 1,142,770 | +1,105 | 14,698 | +3 | 1,096,497 | 31,575 |
| 34 | Romania | 1,126,582 | +3,929 | 35,134 | +96 | 1,068,122 | 23,326 |
| 35 | Portugal | 1,057,100 | +1,058 | 17,872 | +6 | 1,003,239 | 35,989 |
| 36 | Morocco | 908,349 | +2,785 | 13,683 | +65 | 866,064 | 28,602 |
| 37 | Kazakhstan | 845,388 | +2,801 | 10,427 | +73 | 766,435 | 68,526 |
| 38 | Serbia | 830,884 | +7,723 | 7,601 | +26 | 743,572 | 79,711 |
| 39 | Switzerland | 816,106 | +1,991 | 11,010 | | 724,365 | 80,731 |
| 40 | Hungary | 815,851 | +246 | 30,102 | +4 | 779,114 | 6,635 |
| 41 | Jordan | 809,443 | +973 | 10,568 | +11 | 786,558 | 12,317 |
| 42 | Nepal | 779,492 | +1,180 | 10,984 | +19 | 742,306 | 26,202 |
| 43 | Cuba | 761,060 | +7,516 | 6,449 | +76 | 715,275 | 39,336 |
| 44 | UAE | 730,135 | +617 | 2,066 | +2 | 721,367 | 6,702 |
| 45 | Austria | 713,269 | +1,696 | 10,849 | +9 | 681,014 | 21,406 |
| 46 | Tunisia | 695,406 | +550 | 24,274 | +30 | 667,201 | 3,931 |
| 47 | Vietnam | 635,055 | +10,508 | 15,925 | +265 | 401,534 | 217,596 |
| 48 | Greece | 620,355 | +2,919 | 14,268 | +31 | 579,431 | 26,656 |
| 49 | Lebanon | 614,688 | +706 | 8,210 | +8 | 574,802 | 31,676 |
| 50 | Georgia | 585,036 | +3,221 | 8,287 | +54 | 548,951 | 27,798 |

## হাইটিগী প্রসিদেন্ট জোভেনেল মোইজে হাৎখিবগী ৱাথোক লুশিল্লক্লি

হাইটি, সেপ্তেম্বর ১৫ (এজেন্সী) :
হৌখিবা জুলাই ৭ তা হাইটিগী প্রসিদেন্ট জোভেনেল মোইজেবু মহাক মশাগী ময়ুমদা শক খঙদবা খুৎলাই পায়বা মীওই খরনা য়াম্না হৈশিংনা এটেক চথদুনা হাৎখ্রবা মতুং কেস অদুবু থিগৎপগী থবক চথৎরিবা প্রোজিক্যুটর ক্লাওদেবু লৈবাক অদুগী প্রাইম মিনষ্টরনা মফম লৌথোক্লুবদগী মীহাৎ অসিগী ৱাথোক লুশিল্লক্লি।

প্রসিদেন্ট মীশিগী মতাংদা মরু ওইনা থিজিনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা চীফ পব্লিক প্রোজিক্যুটর বেদ-ফোর্দ ক্লাউদেবু হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা প্রাইম মিনিষ্টর এরিএল হেনরীনা মফমদগী লৌথোকখিবনি।

পব্লিক প্রোজিক্যুটর অসিনা চথরকপা থিজিনবগী শরুক অমা ওইনা প্রসিদেন্ট মোইজেগী মীহৎ অদুদা প্রাইম মিনিষ্টর হেনরী চেন্নরম্বা য়াই হায়না ফোঙদোকখিবনি। প্রসিদেন্ট মোইজেবু হাৎপদা মরু ওইনা চেন্নরম্বা য়াই চিংনবা লৈবাক অদুগী হান্নগী জষ্টিস মিনিষ্ট্রিগী ওফিসল অমগা হেনরীগা য়াম্না তোয়না পাউ ফাওনৈ হায়না পব্লিক প্রোজিক্যুটর অসিনা ফোঙদোকখ্রবা মতুং ইকান কান্নদনা মহাকপু হেনরীনা মফমদগী লৌথোকখিবনি।

## ইরান-অফঘান ফ্লাইট সার্ভিস হৌখ্রে

টেহরান, সেপ্তেম্বর ১৫ (এজেন্সী) :
মমাং থাদা টালিবাননা অফঘানিস্থান মপুং ফানা কন্ত্রোল তৌখ্রবা মতুং লৈবাক কয়ানা কাবুলদা পাইগদবা ফ্লাইট সার্ভিসশিং কেন্সেল তৌখি। মদুগী মতুং পাকিস্থাননা ইহান হান্না ইস্লামাবাদ-কাবুল ফ্লাইট সার্ভিস রিজ্যুম তৌখ্রবা মতুং ইরাননসু অফঘান তম্না পাইগদবা রিগ্যুলর ফ্লাইট সার্ভিস রিজ্যুম তৌখ্রে হায়রি।

ইরানিয়ন সিভিল এভিয়েসন এজেন্সিনা ফোঙদোরকখিবগী মতুং ইন্না সিক্যুরিটি রিজননা মরম ওইরগা ওগষ্ট ১৬ তগী অফঘানিস্থান তম্না পাইগদবা ফ্লাইট সার্ভিস খুদিংমক কেন্সেল তৌখিবনি। অদুমওইনমক অফঘানিস্থানদা টালিবানগী অনৌবা লৈঙাক অমা লাউথোকখ্রবা মতুং অমদি পেসেঞ্জরশিংদা অয়েৎপা পীরোই হায়না টালিবান লুচিংবশিংনা থাজবা পীরকখিবগী মতুং ইন্না ফ্লাইট সার্ভিস অমুক হন্না রিজ্যুম তৌরকখিবনি।

**ADMISSIONS OPEN** **** ****
**FOR THE ACADEMIC YEAR 2021-22.**
**HURRY UP BOOK YOUR SEAT NOW !**
**STUDY IN BANGALORE BEST COLLEGES .**
**COURSES OFFERED:**

| | | | | |
|---|---|---|---|---|
| MBBS | B.PHARM | BE | BCA | BSc NURSING |
| BDS | M.PHARM | MBA | BBA | BSc, MSc NUTRI |
| BAMS | PHARMA.D | MCA | BCOM | PBBSc NURSING |
| BHMS | D.PHARM | BHM | MCOM | MSc NURSING |
| BMLT | BPT, MPT | GNM | LLB | M.TECH..etc. |

**CONTACT US : 9362331862, 8310788408.**
**OFFICE at Sagolband Meino Leirak, Imphal.**
HL-P/3873/20 Aug. to 18 Sept

**ADMISSION OPEN**
FOR THE FOLLOWING COURSES
1. RHYMES TEACHERS' TRAINING COURSE FOR PRE-PRIMARY & PRIMARY PRIVATE SCHOOLS
2. MONTESSORI TEACHERS' TRAINING COURSE FOR PRIVATE SCHOOLS
3. RHYMES & CHILD DEVELOPMENT TRAINING COURSE FOR PRIVATE SCHOOL TEACHERS & YOUNG MOTHERS
4. ENGLISH GRAMMAR & SPOKEN ENGLISH COURSE FOR ALL
5. COMPUTER COURSE (MS-Office)
**The above courses are job oriented courses for enterprising, independent young women & girls.
FOR DETAILS PLEASE CONTACT : 913857960715 / 8974642764
OR WRITE TO : phoenixrhymeschool@gmail.com
**PHOENIX SCHOOL OF TEACHERS TRAINING**
KHWAI BRAHMAPUR NAGAMAPAL, IMPHAL
HL-B/7118/1/9-1/10

**BOARD OF SECONDARY EDUCATION MANIPUR**

/ **NOTIFICATION**

Imphal the 15th September, 2021

**No.Ex/189/Regd/11/117:** In supersession of previous order, it is notified for information of all concerned that in view of the present situation in the state due to covid 19 pandemic, the last date for submission of registration form for class-IX and enrolment statement for class-X for the academic session 2021-2022 has been extended upto 30th September, 2021 without fine.

| Sl. No. | Particulars | Amount | Last Date |
|---|---|---|---|
| 1. | Submission of Class-IX registration | Rs. 350/- | 30-09-2021 |
| 2. | Submission of Class-X enrolment | Rs. 350/- | 30-09-2021 |

Sd/- Dr. S. Mangijao Singh
Secretary
HL-P/0059/16

LOAN পীজরি WITHIN 45 DAYS মনুংদা LOAN ফংহঞ্জগনি
No Processing Fee — No Deposit
1. Self Employed persons Loan.
2. Agri Land Loan.
3. Non-Agri Land (Mortgage property) Loan.
4. Salaried Person Loan
Office Hour : 10 am to 3 pm.
# 9362323364
# 7005862472
Sd/- Manager
YAIPHARE GROUP OF FINANCE
Chingmeirong, Imphal
Near Maruti NEXA
HL-B/7156/15-29/9

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, HEIROK, GOVERNMENT OF MANIPUR**
**Ref. Mutation Case No. 216/SDC/Heirok, Dt: 28/8/2021**

1. D. Medun S/o (L) T. Menai of Machi Village.
2. Tanem Angkham Dangshawa S/o (L) -do- of -do-
- Applicants

-Versus-

Late Pattadars : 1. Maimu Maring S/o (L) Meba of Machi Khunjao. - Opp.

/ **NOTICE**
Dated 15/09/2021

Under Section 46(3) MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি তহশিল হৈরোক খুন নং ১২৮/হৈরোক পার্ট-১ পাট্টা নং ১১৩ (অরিবা) পাট্টা নং ৬৩৮ (অনৌবা) দাগ নং ৭১০৭ এরিয়া ১.৪৯০০০ হেক্টর (৩.৬৮১৭৯ একর) চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিদা নামা পাল্লিবা পাট্টাদার মৃ: ওইখ্রে। মৃ: পাট্টাদারগী মমিং কল্লুগা মৃ: পাট্টাদারগী মনাওনুপা মখোয় ২ (অনী)গী মমিংদা (Applicants) নামা পানবীরো হায়দুনা মথক্কী উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থাদুনা য়েৎলবা য়াগনি। নৎত্রবদি হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথরগনি। মতুংদা লাকপা আপ্তি কোর্ট অসিনা লৌরোই।

Sd/- **L. Ashakumar Singh**
SDC, Heirok, Govt. of Manipur
HL-P/0064/16

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, HEIROK, GOVT. OF MANIPUR**
**Ref. Mutation Case No. 215/SDC/Heirok, Dt. : 28/08/2021**

Dangshawa Modun S/o. (L) Maimu Maring of Machi Khunjao
-Applicant

-Vs-

(Late) Pattadars :
(1) Maimu Maring S/o. (L) Meba Maring of Machi Khunjao
(2) Meba Maring S/o. (L) Moba Maring of -do- -O.P. Parties

/ **NOTICE**
15/9/2021

Under Section 46(3) MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি তহশিলগী হৈরোক খুন ১২৮-হৈরোক পার্ট-১ পাট্টা নং. ৩৭৪ (অনৌবা) দাগ নং. ৭১১৮, এরিয়া ০.৪৩০০ হে: (১.০৬২৫৩ একর) চাওবা ফৌরেল লৌফম অমদি পাট্টা নং. ৭৬২ (অনৌবা) দাগ নং. ৯০৫৫ এরিয়া ১.৭৬০০ হে: (৪.৩৪৮৯৬ একর) চাওবা ফৌরেল লৌফম অনী অসিদা নামা পাল্লিবা পাট্টাদার অনীমক মৃ: ওইখ্রে। মৃ: মখোয় অনীগী মমিং কল্লুগা এপ্লিকান্টগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়দুনা মথক্কী উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি খবর অসিনা ফোঙবা নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা মথক্কী উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থাদুনা য়েৎলবা য়াগনি। নৎত্রবদি হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চথরগনি। মতুংদা লাকপা আপ্তি কোর্ট অসিনা লৌরোই।

Sd/- **L. Ashakumar Singh**
SDC,Heirok, Govt. of Manipur
HL-P/0064/16